# লৈবাক অসিদা হৌজিক চথরিবা ভেক্সিনেসনগী মতাংদা কোর্টনা মেসেজ পীবা য়াদে: সুপ্রিম কোর্ট



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): হৌজিক চথরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা অরানবা মেসেজ পীবা য়াদে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে অমসুং দল্লিয়ু ঐচ ওনসু কোভিদ ভেক্সিনশিং শৌগৎলি হায়বা ওবজর্ভেসন পীখ্রে।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস এ এস ভোপান্নাগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, ভেক্সিন কাপ্পদা প্রোব্লেম খরা লৈরে হায়বা মেসেজ ঐখোয়না পীবা পামদে। দল্লিয়ু ঐচ ওনা ভেক্সিনশিং শৌগৎলি, মালেম লৈবাকশিং ভেক্সিন কাপ্লি। ঐখোয়না ভেক্সিনেসনদা চিংনবা উৎপা য়াদে।

জষ্টিস চন্দ্রচুদনা মখা তানা হায়খিবদা, রিভাইস গাইদলাইনশিংনসু আশা ৱর্করশিং য়াওনা পোরিফরেল হেল্থ ষ্টাফকী খূত্থাংদা অরুবা অমসুং মাইনর এ ঈ এফ আই (এদভর্স ইভেন্ট ফোলোইং ইম্যুনাইজেসন) ট্রেকিং তৌনবগী অতোপ্পা চেন্নেল অমসু পীরি।

থাগী ওইবা প্রোগ্রেস রিপোর্টশিং পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক্কী তানফম অসিদা ভেক্সিনেসনদা চিংনবা উৎপা চুল্লোই। পিটিস্নরশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট কোলিন গোনসালভেসনা মহাক্কী সবমিসনদা হায়খি, পিটিসন অসি ফাইল তৌবা মতমদা লৈবাক অসিদা মীওই চা-কয়া ভেক্সিনেসনননা মরম ওইদুনা শিখি। মশা-মঙউ ফনা ভেক্সিন কাপ্পা চৎখিবা মীওই কয়া লেকথরি অমসুং শিরি। জষ্টিস চন্দ্রচুদনা মদু ভেক্সিননা ওইরল্লোই, ভেক্সিনগা অদুম্না শিবগা করম্না মরী লৈনগদৌরিবনো হায়না হংখি।

গোনসালভেসনা মহাক্কী পাউখুমদা, মসি রেকোর্দ তৌনবা মোনিটরিং সিষ্টেম অমা লৈহনগদবনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়খি, কুমজা ২০১৫গী এ ঈ এফ আই গাইদলাইনশিং অদু কুমজা ২০২০দা রিভাইস তৌখি। গাইদলাইনশিং অদুনা পেসিভ সর্ভিলেন্সতমক য়াহল্লি। অসিগুম্বা সর্ভিলেন্স অসি মরী লৈনবা মীওই নৎত্রগা শোক্লবা ইমুং অদুনা তৌবা কমপ্লেন্টদা য়ুম্ফম ওই।

গোন্সালভেসকী ৱাফম অসিদা জষ্টিস চন্দ্রচুদনা হায়খি, ইন্দিয়াদা ঐখোয়না এ ঈ এফ আইগী গাইদলাইনশিং শেমখিবা নত্তে। ঐখোয়গী সিষ্টেম অমা লৈ। মতম চুপ্পদা থবক অমা পায়খৎপদা য়ানীংদবা মীওইশিং থোক্লকই, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী য়েংলগা ঐখোয়না পোলিসি শেম্বা ঙম্লোই।

জষ্টিস চন্দ্রচুদনা মখা তানা হায়খি, কোর্টনা লৈবাক পূম্বগী ফগদবদু য়েংবা তাই। মালেম পূম্বা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা পেন্দমিক মায়োক্নরকখি। ঐখোয়না ভেক্সিন কাপ্পা হায়বসি লৈবাক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি।

মতম চুপ্পদা ষ্টদি লেপ্পোই, চহী মঙা নৎত্রগা তরা ফাওবা ষ্টদি তৌবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না ভেক্সিন কাপ্তবদগী লাক্কদবা খুদোংথীবশিংসু খঙগদবনি। ঐখোয়না মীয়াম্বু সেফ ওইনা লৈহনগদবনি অমসুং শিবগী চাং হন্থহনগদবনি। গাইলাইনশিং লৈনা লৈনা কোর্টনা ভেক্সিনেসনগী তাঙ্কক অসিদা করম্না খূৎ থিংজিনগদৌরিবনো। মালেমগী লৈবাক খূদিংমক ভেক্সিন কয়া লৈ। ঐখোয়না চাওখৎনবা য়ু এসতা য়েংশি হায়না বেঞ্চ অসিনা মখা তাখি।

# কোলকটা পুলিসনা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ভিক্টিমশিংগী য়েংলগা ইন্টরপ্রিটরশিং থম্লগনি



কোলকটা, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ (না তাথিবা অমসুং লোল থোক্তবা) কমপ্লেনেন্টশিংনা কমপ্লেন্ট তৌবদা খুদোংচাহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা কোলকটা পুলিসনা মসিগী দিভিজন মাপন্দা ইন্টরপ্রিটর অমমম লৈহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইন্টরপ্রিটরশিংদুনা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ভিক্টিমশিংবু কমপ্লেন্ট তৌবদা মতেং পাংবদা নত্তনা ইনভেষ্টিগেসন প্রোসেসতসু এক্টিভ ওইনা শরুক য়াদুনা পুলিস ফোর্সপু হেন্না ইফেক্টিভ ওইহনবদা মতেং পাংগনি। কোলকটা পুলিস কম্মিস্নর সৌমেন মিত্রনা ষ্টেট পুলিসকী চার্জ পায়রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং খরা লৌখৎতুনা মীয়াম্না পুলিসতা থল্লিবা থাজবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা পুলিস ফোর্সপু হেন্না ইফেক্টিভ ওইহনখি।

পুলিস ওফিসর অসিনা হায়, ইন্টরপ্রিটরশিং অসি দিভিজন খূদিংমক্তা থমগনি। কেস অমা লাকপা মতমদা ইন্টপ্রিটরশিং অসি স্পোটতা চঙশিনগনি। হৌজিক ইন্টরপ্রিটরশিং অসি দিভিজনেল ওফিস খূদিংমক্তগী ওপরেট তৌগনি। করিগুম্বা কোল লাকপা তারবদি ইন্টরপ্রিটরশিংনা স্পোটতা চঙশিনগনি। মসি চাংয়েংগী থাক্তা লৌখৎপা খোঙথাংনি। করিগুম্বা প্রোজেক্ট অসি মায় পাকপা তারবদি পুলিস ষ্টেসন খূদিংমক্তসু থৌরাং অসি লৈহনগনি।

কোলকটা পুলিসকী সোর্সশিংগী মতুং ইন্না, হন্দক্তা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ নুপীমচা অমা রেপ তৌখিবা থৌদোক অমগী মতুংদা পুলিস কম্মিস্নরনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

এন্টেলি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসরশিং হন্দক্তা প্রোব্লেম অসি থেংনখি। মখোয়না ইবসু ঙমদবা, ঙাঙবা অমসুং তাবসু ঙমদবা রেপ ভিক্টিম অমা রেস্ক্যু তৌখি। অসিগুম্বা প্রোব্লেম অসিগীদমক কোলকটা পুলিসনা প্রাইভেট ইন্টরপ্রিটর অমা শীজিন্নখি।

ইন্টরপ্রিটর লৈতবনা মরম ওইদুনা কমপ্লেন্টশিং থেংনা রেজিষ্টর তৌবদগী ইনভেষ্টিগেসনসু থেংই। মরম অদুনা, সিটি পুলিসনা পুলিস ষ্টেসন খূদিংমক্তা য়ামদ্রবদা ইন্টরপ্রিটর অমমম থম্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# আই পি এস ওফিসর শারম্বা অমা কোর্টনা বেল পীখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): নৌনা রিক্রুট তৌবা আই পি এস ওফিসর অমা শারগা কার অমা তোংদুনা ইনফোর্মেসন ব্যুরো (আই বি)গী ওফিস চঙলম্বগী মরাল শিরবা নুপা অমা ইরাই নুমিৎতা দেল্লীগী কোর্ট অমনা বেল পীয়ু য়াখিদ্রে।

শীরিবা মরালগী অরুবা ফিভম অমসুং হৌরকপা ষ্টেজগী ফেক্টশিং খন্নরগা মোত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট মানু শ্রীনা প্রদীপ শর্মগী বেল এপ্লিকেসন দিসমিস তৌখি। মেজিষ্ট্রেটনা হায়খি, করিগুম্বা বেলদা থাদোকপা তারবদি এক্যুজ অসিনা ৱিটনেসশিংদা ঈথিল পীবা নৎত্রগা ইভিদেন্সতা অকায়বা পীরকপা য়াই।

এক্যুজ অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী অশেন্বা লোগো য়াওবা ইন্নেভো কার অমা তোংলগা আই বি হাউসতা চঙখি হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স নোর্থ ব্লোক্কী সিল অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফেক দোক্যুমেন্ট কয়া কার অদুদগী ফংখি। মহাক নভেম্বর ১৭তা ফাখি।

এক্যুজ রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদভোকেট মনোরঞ্জন কুমারনা মহাক্কী মায়োক্তা নমথাক তৌবগী মরাল শীবা লৈতে অমসুং অতৈ চাজশিংসু অরুবা নত্তে হায়রদুনা কোর্টতা বেল পীবিনবা হায়জখি।

এক্যুজ অদু আই পি এস ওফিসর শাদুনা অমসুং হোম অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিশিংগুম্বা গভর্ণমেন্টকী ফেক ষ্টাম্পশিং শীজিন্নরগা গভর্ণমেন্টকী সিক্রেট এজেন্সিদা চঙলম্বগী অরুবা ওফেন্স কম্মিট তৌখি হায়রদুনা পব্লিক প্রোসিক্যুটর অঙ্কিত শ্রীভাস্তভনা বেল অদুবু ওপোজ তৌখি।

ৱাফম পূম্নমক তারবা মতুংদা কোর্টনা এক্যুজ অদুদা বেল পীখিদে।

# কর্নাটকাগী মেদিকেল কোলেজগী কোভিদ কেস ১৮২ শুরে

ধারৱাদ, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী ধারৱাদ সিটিদা লৈবা এস দি এম মেদিকেল কোলেজগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মহৈরোয় মশিং ইরাই নুমিৎতা ১৮২ শুখিবগা লোয়ননা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টমীকূপ নাহুম শিংনা লৈখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ৬৬ কোভিদ পোজিটিভ ওইখি অমসুং নুমিৎ অসিগী অথেংবদা অহেনবা মহৈরোয় ১১৬ লায়না অসি পক্লে হায়বা কনফর্ম তৌখি।

কোলেজ সোর্সশিংনা ফোঙদোরকপদা, মহৈরোয়শিং অদু নভেম্বর ১৭তা কোলেজ প্রেমিসেসতা লৈবা ওদিটোরিয়ম অমদা পাঙথোকপা ফঙ্কসনদা য়াওখিবা মতুংদা কোভিদ ইনফেক্সন লাকখিবনি। প্রোগ্রাম অদুদা মহৈরোয় ২০০ রোম অমসুং মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা খরা শরুক য়াখি। মখোয় লোইনমক খূদক্তা টেষ্ট তৌনবা অমসুং আইসোলেসনদা লৈনবা খঙহনখ্রে।

কোভিদ ইনফেক্সন লৈরবা মহৈরোয় পূম্নমক ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লে অমসুং মখোয়গী লাইওংশিংসু লুদে। হৌজিক ফাওবদি কেম্পসকী ৱাংমদা অমসুং অকোয়বদা কোভিদ পোজিটিভ কেসশিং থেংনদ্রি।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর নিতেশ পাতিলনা মীয়ামদা করিগুম্বা কোভিদ লাইওংশিং থেংনরবদি খূদক্তা অনকপা হেল্থ সেন্টরদা টেষ্ট তৌথোক্নবা আপীল তৌখ্রে। মীপূম খূদিংমক্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি অমসুং কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং ইনগদবনি হায়না মহাক্না আপীল তৌখি।

মহাক্না হায়, মেদিকেল কোলেজ অদুদা ষ্টাফ ৩,০০০ লোম লৈ। মখোয় লোইনমক টেষ্ট তৌগনি। টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বশিং ক্বারান্টিন তৌগনি অমসুং লায়েংগনি। হোষ্টেল অনী সিল্ড তৌবগা লোয়ননা ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং অদু মখোয়গী হোষ্টেল কাশিংদা ট্রিটমেন্ট তৌবগা লোয়ননা চান-থক্লবশিংসু পীরি।

# তোলিৱুদ সিঙ্গরগী মপা হাৎলম্বগী কেস থীজিনবা হৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): টেলুগু ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মমিং লৈরবা সিঙ্গর হরিনি রাওগী মপা এ কে রাওগী মীহাৎ কর্নাটকা পুলিসনা থীজিনবা হৌখ্রে। বেঙ্গলুরু রুরেল রেলৱে পুলিসনা মেট্টর অদু থীজিল্লিবনি।

এ কে রাও হায়না খঙনবা লৈখিদ্রবা অয়ালাসোমায়াজুলা কালিপ্রসাদ রাও এম পি সুজানা চৌধরিনা চল্লাইবা সুজানা ফাওন্দেসনদা সী ঈ ও ওইনসু থবক তৌখি। মহাক নভেম্বর ২২দা সিটিগী চিদাইদা লৈবা য়েলাহানকা অমসুং রাজানুকুন্টে মরক্কী রেলৱে ত্রেক্টতা শিরন্বা থেংনখি।

রিএল ইষ্টেট প্রোজেক্ট অমগীদমক লুপা ক্রোর ১৫০ লোলগী শেনফমশিংদগী শাগৎপগা মরী লৈননা রাওবু হাৎখিবনি হায়না পুলিসনা চিংনরি।

মহাক্কী হকচাং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা রেলৱে পুলিসনা থেংনখি। মহাক্কী লাইবক, খুদাং, ঙকশমদা শোক্লমখি। পুলিসনা মহাক্কী হকচাং মনাক্তগী থাঙ অমা, ব্লেদ অমা অমসুং কাতি অমসু রিকোভর তৌখি। ইনভেষ্টিগেসনদা রাও নভেম্বর ১৩দা বিজিনেসকী খোঙচৎ অমদা বেঙ্গলুরুদা লাক্লগা ষ্টার হোটেল অমদা লৈখি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখি।

ইকোন কোনবা ওইনা মহাক্না নভেম্বর ১৯দা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা ফোনদা ৱারী শানখি। নভেম্বর ২১দা মহাক্না হোটেলদগী কেব অমা বুক তৌখি অমসুং মহাক মথংগী নুমিৎতা রেলৱে ত্রেক্সতা শিরন্বা থেংনখি। মহাক্না শিরল্লিবদু মীনা হাৎপা ওইগনি হায়না মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা চিংনৈ।

চৈরকসিদা, বিজিনেসমেন অমনা বেঙ্গলুরুগী সাদুগুন্টেপালয়া পুলিসতা চিটিংগী কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখ্রে। কমপ্লেন্ট অদুদা মীওই অহুম্না মহাকপু নমদুনা লুপা ক্রোর অনী কম্পনি অমদা ইনভেষ্ট তৌহল্লি হায়না পনখি। লৈখিদ্রবা রাও মীওইশিং অদুগা শম্নৈ হায়নসু কমপ্লেন্ট অদুদা পনখি।

# বোটস্বানা ভেরিএন্টকা মরী লৈননা এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ ভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টকী মায়োক্তা এলর্ট ইস্যু তৌখ্রে। অনৌবা ভেরিএন্ট অদু কেস অহুম বোটস্বানাদা থেংনরে, সাওথ অফ্রিকাদা তরুক থেংনরে অমসুং হোংকোংদা অমা থেংনরে।

ষ্টেট হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী এদিসনল চীফ সেক্রেটরিনা মেট্টর অসিগা মরী লৈননা ইস্যু তৌবা ওফিসল নোট অমনা হায়, কোভিদ-১৯ ভেরিএন্ট বি.১.১৫২৯ (কম্মন ওইনা 'বোটস্বানা' ভেরিএন্ট হায়নবা) অসি ম্যুটেসন মশিং য়াম্মনবনা হন্দক্তা ভিজা রেষ্ট্রিক্সনশিং কোমথোকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ত্রাভেল য়াহল্লবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী হকশেলদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা য়াই।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিকমেন্দেসনশিং পল্লদুনা ওফিসলশিংনা ভেরিএন্ট অদু ষ্টেট অসিগী পব্লিক হেল্থতা মরু ওইবা থ্রেট অমনি হায়রদুনা ইন্টরনেসনল ত্রাভেল্লর খূদিংমক পেন্দমিক ভাইরস দিটেক্ট তৌনবগী স্কৃনিং মথৌ তাই হায়খি। মসিগী মথক্তা হেল্থ ওফিসলশিংদা মপান্দগী লাকপশিংদগী কলেক্সন তৌবা সেম্পলশিং জিনোম সিক্বেন্সিং তৌনবা খঙহনখ্রে।

চৈরকসিদা, হেল্থ ওফিসলশিংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯ থিংনবগী প্রোটোকোলশিং চেকশিন্না ইন্নবা অমসুং ঙন্না ভেক্সিন কাপথোক্নবসু তকশিনখ্রে। ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা ষ্টেট অসিগী মীওই মশিংগী প্রোপোর্সন অসি শগোলশেন নুমিৎতা ভেক্সিনেসন লাখ ১৬.৬৯ হেন্না পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চাদা ৩০ হেল্লে।

গভর্ণমেন্ট দেটা মতুং ইন্না, ষ্টেট অসিদা কাপখিবা অপূনবা দোজ মশিং অসি ক্রোর ১৫.৫২ নি।

মী মশিংদা পাবদা মীওই ক্রোর ১০.৮৭ হেন্না দোজ অমা কাপ্লে অমসুং ক্রোর ৪.৬৪না ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লে। উত্তর প্রদেশতা মীওই ক্রোর ১৫.০৪ ভেক্সিন কাপ্পগী টার্গেট থল্লিবসি য়েংলগা ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা মীওইশিংগী প্রপোর্সন অসি চাদা ৩০.৮নি।

# দেল্লীগী হোস্পিটাল অহুমগী রেসিদেন্ট দোক্টরশিং ঙসিদগী ষ্ট্রাইক হৌরগনি



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): এন ঈ ঈ টি পি জি ২০২১ কাওন্সেল্লিং কন্দক্ট তৌবা হঞ্জিন হঞ্জিন থিন্থববু য়ানীংদবা উৎতুনা থাংজ নুমিৎতগী ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না নেসনল কেপিটেলগী টোপ হোস্পিটাল অহুমগী রেসিদেন্ট দোক্টরশিংগী এসোসিএসন্না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

হোস্পিটালশিং অদুদা রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটাল, সফদরজং হোস্পিটাল অমসুং রেদি হর্দিঞ্জ হোস্পিটাল য়াওরি। দোক্টরশিংনা নভেম্বর ২৭তগী ও পি দি সর্ভিসশিং ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

ফেদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া মেদিকেল এসোসিএসন (এফ এ আই এম এ)গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সুভ্রাঙ্কর দত্তনা ত্বীটর পোষ্টতা হায়, লো মেকরশিংনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক পুথোকপা পোলিসিশিংনা মরম ওইদুনা দোক্টরশিংনা করিগী ৱাগদৌরিবনো। ঐখোয়না এন ঈ ঈ টি পি জি কাওন্সেল্লিং অমসুং রিক্রুটমেন্ট থুনা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌরি। মসি তৌদবা তারবদি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক পূম্বগী দোক্টরশিংনা মতম কক্তনা ষ্ট্রাইক চত্থরকপা মায়োক্লনবা শেম-শাগদবনি।

ষ্টেট আর দি এ অয়াম্বনা এজিটেসন অসিদা শরুক য়াগনি হায়না কনফর্ম তৌরক্লে। হঞ্জিন হঞ্জিন্না মতম থেংথদুনা লাক্লবা এন ঈ ঈ টি পি জি ২০২১ কাওন্সেল্লিংগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌবদগী ফ্রন্টলাইনদা ৱানা থবক তৌদুনা লাক্লবা চোকথরবা রেসিদেন্ট দোক্টরশিংনা মেটরশিং অসিগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টকী প্রোসিদিংসকী পূর্ক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ইঙ্গিৎ অমা ঙাইদুনা লাক্লবনি। অদুম ওইনমক মথংগী কোর্ট হীয়ারিং ২০২২গী জন্যুৱারী ৬তা লেপখিবদগী দোক্টরশিংগী ফিজিকেল অমসুং মেন্টেলগী অৱাবশিং কোকহনগদবা খোঙথাং অমতা উবা ফংদ্রি।

# টামিল নাদুদা কোভিদ ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপ্তবা মীওই ক্রোর ১.৩ লৈ: হেল্থ দিপার্টমেন্ট

চেন্নাই, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): টামিল নাদুদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অহানবা দোজ কাপত্রিবা ইলিজিবল মীওই ১,৩৮,৭৪,৭২৬ লৈ অমসুং অনীশুবা দোজ কাপত্রিবা মীওই ৭৩,৪৬,৩৬৩ লৈ হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট হেল্থ সেক্রেটরি জে রাধাকৃষ্ণননা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌখিবা ওগষ্ট, সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরদা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীওই ২,০১১ শিখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভেক্সিন কাপ্লবা মীওই চাদা ৫ দমক শিখি অমসুং শিখিবশিংগী মরক্তগী চাদা ৯৫দি ভেক্সিন কাপ্তবশিংনি নৎত্রগা অহানবা দোজ কাপ্পশিংনি। ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা শিখিবা মীওই ১০৯ নৎত্রগা চাদা ৫ দি মরু ওইনা কো-মোর্বিদিটিশিং লৈবা ট্রিটমেন্ট থিন্থবদগীনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখিবা মীওই চাদা ৯৫ দুগী মনুংদা চাদা ৮৮ নৎত্রগা মীওই ১,৬৭৫ দি ভেক্সিনগী অহানবা দোজ ফাওবা কাপ্তবশিংনি অমসুং চাদা ১১ হায়বদি মীওই ২২৭না অহানবা দোজ কাপ্পশিংনি হায়বসি হেদ দিপার্টমেন্টকী দেটানা উৎলি।

হেল্থ সেক্রেটরিনা মখা তানা হায়, ভেক্সিনশিং অসি কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা শীজিন্নবা লাইফসেভরশিংনি হায়বসি মীয়াম্না খঙগদবনি। অদুনা ইলিজিবল মীওই খূদিংমক্না পন্থবা তৌদনা ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি।

রাধাকৃষ্ণননা হায়, হেল্থ দেটা মতুং ইন্না ভেক্সিন কাপ্তবা মীওই অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবা য়াবগী রিস্ক অসি ভেক্সিন কাপ্পা মীওই অমদগী শরুক ৩.৫ হেল্লি। মসিগী মরু ওইবা ইভিদেন্স অসি লৈবনা মীচম মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পা অসি য়াম্না মরু ওই হায়বসি খঙবীগদবনি। ইলিজিবল মীওইশিংনা খ্বাইদগী থুবা মতমদা ভেক্সিন কাপ্পীগদবনি। ষ্টেট অসিদা ভেক্সিন মরাং কায়না লৈরি।

# 'কন্সটিটুট্যসন দে' সেলেব্রেসন বোইকোট তৌবা ডা. অম্বেদকরবু ইকায়বা পীবনি: বি জে পি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ইরাই নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোকখিবা কন্সটিট্যুসন দে বোইকোট তৌখিবা ওপোজিসনগী থৌওংবু বি জে পিনা কন্না য়াদীংবা উৎপগা লোয়ননা মদু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী অর্কিটেক্ট ওইরিবা ডা. ভিমরাও অম্বেদকরবু ইকায়বা পীবনি হায়খ্রে।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক কুমওন নুমিৎ নভেম্বর ১৪দা পার্লিয়ামেন্টতা পাঙথোকখিবা সেলেব্রেসনদা য়াওখিদবগীদমক বি জে পিগী লুচিংবশিংবু কোংগ্রেসনা চৈ-থাংখিবনি।

কোংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসন পার্টি ১৪ রোম্না কন্সটিট্যুসন দেগী প্রোগ্রাম বোইকোট তৌগনি হায়না লাউথোকখি।

বি জে পিগী নেসনল ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী ইনচার্জ অমিত মালভিয়ানা ত্বীটর পোষ্টকী খূত্থাংদা হায়খি, কোংগ্রেস, লেফ্ট, টি এম সী আর জে দি এস এস, এন সি পি, এম পি, আই য়ু এম এল অমসুং দি এম কে য়াওনা পার্টি ১৪না সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোক্কদবা কন্সটিট্যুসন ডেগী থৌরমদা য়াওররোই।

পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোক্কদবা ফঙ্কসন অদুদা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং লোক সভাগী স্পিকরনা ৱা ঙাঙগদৌরিবনি।

মালভিয়ানা মখা তানা হায়খি, নেহরুগী মপোক কুমওন নুমিৎকী প্রোগ্রাম মনুংদা য়াম্না লাউ-খোংখিবা কোংগ্রেসনা বোইকোট অদুবু লুচিংলি। মসি ডা. অম্বেদকরবু ইকায়বা পীবা অমনি। থা অসিগী ১৪দা কোংগ্রেসকী রাজ্য সভাগী চীফ হ্বিপ জয়রাম রামেসনা হায়খিবদা, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুগী মপোক নুমিৎকী ফঙ্কসনদা লোক সভাগী স্পিকর, আর এসকী চেয়রমেননচিংবা য়াওখিদে।

# পি এম ক্যের্স ফন্দগা মরী লৈনবা প্লিশিং হীয়ারিং তৌরগনি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর্স সিটিজন এসিষ্টেন্স এন্দ রিলীফ ইন ইমর্জেন্সি সিচ্যুএসন ফ্রন্দ (পি এম ক্যের্স ফন্দ)গা মরী লৈনবা পিটিসনশিং দিসেম্বর ১০দা হীয়ারিং তৌরগনি হায়না দেল্লী হায় কোর্টনা লেপখ্রে।

মসিগী মমাঙদা মেট্টর অদু নভেম্বরদা লিষ্ট তৌরম্বদগী মরী লৈনবা বেঞ্চ এসেম্বল তৌদবদগী য়ৈথোকখিবনি। ইরাই নুমিৎতা চীফ জষ্টিস দি এন পাতেল অমসুং জষ্টিস জ্যোতি সিংহনা প্রিসাইদ তৌবা বেঞ্চনা মেট্টর অসিগী প্লিশিং ঙন্না হীয়ারিং তৌবগী ৱাফম য়াখি।

এদভোকেটশিং দেবোপ্রিয়ো মৌলিক অমসুং অয়ুশ শ্রিভাস্টভগী খূত্থাংদা সময়াক গাংৱালনা ফাইল তৌখিবা পিটিসনশিং অদুনা পি এম ক্যের্স ফন্দবু কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ষ্টেট ফন্দ অমা ওইনা লাউথোকপীনবা অমসুং মদুবু প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া নৎত্রগা এব্রিভিএসনশিং য়াওনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মিং শীজিন্নবা থিংবীনবা তকশিনখি।

মহাক্না পি এম ক্যের্স ফন্দগী ৱেভসাইট, ট্রষ্ট দীদ, ওফিসল নৎত্রগা অন-ওফিসল কম্যুনিকেসনশিং অমসুং এদভর্টিজমেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী এমব্লেম শীজিন্নবা থিংবীনবসু তকশিনখি। পিটিসন অদুগী পাউখুম ওইনা পি এম ওনা কোর্টতা থমখিবা সবমিসনদা হায়খি মদুদি, পি এম ক্যের্স ফন্দদা ইন্দিভিজ্যুএলশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংনা পীরকপা ভোলন্টরি দোনেসনশিংদমক য়াওই অমসুং মসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী বিজিনেস নৎত্রগা ফঙ্কসনগী শরুক অমা নত্তে।

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
(Regd. Office: Secure Office Complex, 3rd Floor, North AOC, A. T. Line, Imphal West, Manipur – 795001)

/ NOTICE INVITING TENDER

Imphal, Dated the 25th November, 2021

No. 2/267(8MPole-O&M)/2021-MSPDCL-TECH/3462-70: Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL), a Government of Manipur enterprise, invites Sealed Tender **for Supply of 8M Swaged Steel Tubular Poles** required for Deposit work and Operation & maintenance of MSPDCL from reputed Original Equipment Manufacturers (OEM) through on-line submission of price bids.

| | |
|---|---|
| **Last date & time for submission of Techno-commercial Bids & Financial Bids (on line) and also submission of Techno-commercial Bids in Hard Copy (for verification) :** | **17/12/2021 upto 11.30 A.M.** |

For details interested bidders may visit website www.manipurtenders.gov.in/ www.manipur.gov.in

Interested bidders may visit the website regularly and remain updated for any amendments/modifications /Corrigendum etc on the abovementioned Tender. No separate notifications will be given for such amendments/modifications/Corrigendum etc in the print media (Press) or intimated to the bidders separately.

Sd/- **Ng. Subhachandra Singh**
**Managing Director**
**MSPDCL**

HL-B/7310/27

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
/ CORRIGENDUM

Ref.no. MU/IV/8/JR/PO/MIT-EQUIP/21/536 25th November, 2021

The corrigendum is being made for the above Tender for the SUPPLY OF IT ITEMS (Desktop i5, Desktop i3, UPS, Printer, Switch) for MIT that the last date for responding/opening of tender is postponed to 30/11/21 due to the ongoing 72 hours bandh. The other details remain unchanged as available in the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- David K. Zote**
Purchase Officer

HL-B/7309/27